**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৯-০৪-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) এন.সি.ই.আর.টিগী টেক্সবুক্তা মনিপুরগী মুকা কাংজৈবু মীজোরামগীনি হায়না ফোংলিবা অদুগী মতাংদা কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা এন.সি.ই.আর.তিদা অথুবা মতমদা শেমদোকবা পাউতাক পীখ্রে।

২) মনিপুরদা হয়েং চহি অমদগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং লাখ ৯ হেনবদা তিল লৈতনবা অলবেনদজোল টেব্লেট পীজগনি।

৩) নোংমৈ মাংবগী কেসতা চেন্নবা কে.আর.এগী চিফ দেবিদ হনসিং অমসুং য়ু.কে.এল.এফ কী লুচিংবা লুখোসোন হাওকিপকী কেস অসামদা ত্রান্সফর তৌন্নবা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

৪) কুকি মিলিতেনশিংগা (সু) তৌনবগী মতম লোইরবা ফাওবা কেন্দ্র সরকারনা তুমিন্না লৈরিবগী মরম করিগীনো হায়না সিব সেনা মনিপুর প্রদেশনা হংলি।

**অমসুং**

৫) আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র অহুমগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদননবা শেম শাবা লোয়রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**ইদুকেসন(এল)ঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে. রঞ্জননা হায়রি - একাদমিক চহি ২০২৩-২৪ গী ওইনা এন.সি.ই.আর.টি দেল্লিনা ফোংবা লরনিংস থ্রু ত্রেদিসনেল গেমস হায়বা টেক্সবুক অমদা মনিপুরগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা মুকা কাংজৈ মশান্নবু মীজোরামগী মশান্ননি হায়না ফোংলিবা অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা শেমদোকবা পাউতাক পীখ্রে।

মহাকা হায়- হিরম অসিগা মরী লৈননা মেদিয়াদা ফোংলকপা রিপোর্টশিং থেংনরে। হায়রিবা ৱাফম অসি য়ামা লুমা লৌনিংঙাই ওইবা ৱাফম ওইবনা চপ চাবা মরী মখোং অথুবা মতমদা খঙদোকপা হায়বসি য়ামমক তঙাই ফদে। মরম অদুনা মশিবু থিজিন্দুনা মদুদা চেন্নরিবা ওথোরিতিনা অথুবা মতমদা শেমদোকবা খঙহনখ্রে। ডা: রঞ্জননা হায়-লাইরিক অসিদা য়ুবি লাকপিবু মনিপুরগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা মশান্না ওইনা য়াওরি। মহাকা হায়- লাইরিক অসিদা মুকা কাংজৈগী মরমদা য়াওরিবশিং অসি মনিপুরগী ইতিহাসকী মরমদনি। অদুনা মসিদা মীজোরামগী মহৌশাগী মশান্ননি হায়রিবা অসি অরানবনি, অথুবা মতমদা শেমদোকবা এন.সি.ই.আর.তিদা পাউতাক পীখ্রে।

--**সউন্দ রঞ্জন**--

এন.সি.আর.টিগী টেক্সবুক ফোংবদা মৈতৈগী মৈহৌরোলদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা মুকা কাংজৈবু মীজোরামগীনি হায়না ফোংলিবা অদুদা মনিপুর পিপলস পার্টি এম.পি.পিন কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

**দিৱার্ম্মিং(এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং চহি অমদগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং লাখ ৯ লিশিং ২৫, ১২৪ দা তিল লৈতনবা অলবেনদজোল টেব্লেট পীজরগনি।

লম্ফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী কনফরেন্স রুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নেসনেল হোলথ মীসন মনিপুরগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর ডা: সোমোর্জিৎ নিংঙোম্বমনা হায়- হয়েং ভারত পুম্বদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল দিৱার্ম্মিং দে থৌরম মনিপুরদসু পাঙথোকবগীদম শেম শাবা পুমমক লোইরে। মপুং ওইবা থৌরম মালোমদা লৈবা মালোম মেঘা হায়স্কুলদা পাঙথোক্কনি।

ডা: সোমোর্জিৎনা হায়- তিনগী লায়নশিংদগী ঙাকথোকবা অলবেনদজোল টেব্লেট অসি চাবদা খুদোংথিনিংঙ্ঙই ওইদে, মসি ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা শকখঙলবা হিদাকনি। অদুবু করিগুম্বা অঙাংশিংনা টেব্লেট অসি চারুবা মতুং নুংঙাইতবা লৈরবদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থম্লে। টেব্লেট অসিনা অঙাংশিংবু হুক ৱার্ম, ৱিহপ ৱার্ম অমদি রাউন্দ ৱার্মদগী ঙাকথোকপা ঙম্লি। মহাকা হায়- হায়রিবা হিদাক অসি রাজ্যা অসিগী জিলা খুদিংমক্তা পীখ্রে। হিদাকশিং অসি সি.এম.ওগী খুথাংদা অঙ্গনৱাদি সেন্তর অমদি অশা ৱাকরশিংদা য়ৌহন্দুনা অঙাংশিংদা পীজগনি । মসিগী মথক্তা জেদ.ই.ওগী খুথাংদা স্কুল স্কুলশিংদসু পীজগনি।

## --সাউন্দ সোমোর্জিৎ--

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা ষ্টেট নোদেল ওফিসর চাইল্ড হেলথ ডা:এ. সিলভিয়ানা হায়- হৌখিবা চহিদা অঙাং লাখ ৯ লিশিং ৩২১ দা তিল লৈতনবা অলবেন্দজোল টেব্লেট পীজনবা পান্দম থম্বদা অঙাং লাখ ৮ লিশিং ৫৩,৪৯৭ পীজদুনা চাদা ৯৪.৮ হিদাক পীজখি। হায়রিবা টেবেট অসি মিলিগ্রাম ৪০০ ওইবনা চহি অমদগী অনি ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা গুলি অসিগী তঙ্খায় তকখায়রগা পীজগদবনি অদুগা চহি অনিগী মথক্তা লৈরিবা অঙাংশিংদনা মিলিগ্রাম ৪০০ গী গুলি শাইরগা চাহনগনি।

**ডে (এল) ঃ** মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু হন্তরনেসনেল ডান্স ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মাইবী জগোই, মরিং ব্রার ডান্স, কবুই জগোই, থৌগল জগোই য়াওনা তোঙান তোঙানবা জগোই মখল কয়া উৎলি।

থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মীস্নর এম.জোয়না হায়-জগোই হায়বসি জাৎ বিজাৎ খায়দবা য়ামা মরুওইবা কালা অমনি। জগোই হায়বসিদি লোন ফাওনদ্রবসু মদুবু য়েংলিবা মীওই অদুনা জগোই অদুনা তাক্লিবা মগুন চপ চানা খঙবা ঙম্মি। লম লমগী ওইবা জগোইশিং য়োখৎনবা হোৎনবদা লমদম অদুগী মীওইশিংগী চাউরবা দাইত্ব লৈ।

**--সাউন্দ জয়**

মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী দিপার্টমেন্ত ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিকা শিন্দুনা ব্রালড দান্স দেগী থৌরম ঙসি দিপার্টমেন্ত অসিদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ইন্তরনেসনেল সেমিনর অমসু য়ুনিভার্সেল পিছ এন্দ হারমোনি হায়বা হিরমদা পাঙথোকখি। কংলৈ জগোই অনোই লৈকায় (কাজল )না শীন্দুনা নুমিৎ অসি খুরাই সলানথোং চাইথবি লৈরক নান্দৈবম লৈকায়দসু পাঙথোকখি। প্রাজেক্ট জি ফাউন্দেসনসু পালন থৌরম অসি ঙসি মনিপুর কলেজতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা জগোই চাংদমবসু পাঙথোকখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেংনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা)**

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**কে.আর.এ(এল)ঃ** নোংমৈ মাংবগী কেসতা চেন্নবা কুকি রিভোলুসন্নরি আর্মি (কে.আর.এ)গী চিফ দেবিট হনসিং অমসুং য়ুনাইতেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট য়ু.কে.এল.এফ কী লিদর লুখোসোন হাওকিপকী কেস অসামদা ত্রান্সফর তৌন্নবা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ লৌখ্রে। হৌখিবা চহি ২০১৬ তা মনিপুর রাইফলসকী আর্মস কোটতগী নোংমৈ মাংখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা লালহৌলুপ অনি অসিগী লুচিংবশিং অসিনা মনিপুরদ মখোয়গী ত্রাইয়েল চথবা অসি অতোপ্পা রাজ্যদা হোংবিনবা ত্রান্সফর পিটিসন অমা থাখিবনি। মসিগী মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়গী কেস অসি স্পিসিয়েল কোর্ট এন.আই.এ গুৱাহাতিদা ত্রান্সফর তৌন্নবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

**সেনা(এল)ঃ** কুকি মিলিতেনশিংগা তৌনরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) গী মতম লোইরবা ফাওবা বি.জে.পিনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকার অসিনা তুমিন্না লৈরিবগী মরম করিগীনো হায়না সিব সেনা মনিপুর প্রদেশনা হংলক্লি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা দলগী প্রসিদেন্ত এম.তোম্বীনা হায়- নেসনেল হায়ৱেশিংদা সু তৌনরিবা লালহৌলুপশিংনা লুট তৌবগী থবক চথরিবা অসিদা কেন্দ্র সরকারনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা থৌওং অসি পেন্নীংঙাই ওইদে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা নেসনেল হায়ৱে প্রোতেক্সন ফোর্স থমদুনা দ্রাইভরশিংগী পুন্সি কন্নবা হোৎনগদবনি। মসিগী মথক্তা কুকি মিলিতেনশিংগা সু তৌনরিবা অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি। হন্দক্তা নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল -দিমাপুর লম্বীদা লৈবা থোং অমা অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌওং অদুবু হকশিন্না লৌই হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি কেন্দ্র সরকারনা কয়াম কুইনা য়েংদুনা লৈখিগনি। শ্রী তোম্বীনা হায়- ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ঙাক্তুনা থল্লম্বা লম কনাগুম্বা অমত্তা লৌশিনবা য়ারোই , মসিবু ঙাকশেনবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী থৌদাংনি।

মহাকা হায়- আউতর মনিপুর লোক সভা সিটকী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা হয়েং অুমক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা অদুদা গনতন্ত্রীক ওইদবা থৌওং চথবিদনবা অমসুং শান্তি লৈনা মপুং ফানা ভোট থাদনবসু আপিল তৌরি।

## --সাউন্দ তোম্বী--

**লেবর(এল)ঃ** মনিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যার বোর্দকী চিয়র পরসন কে.সারটনা হায়রি- বোর্দ অসিদা রেজিস্তর তৌরবা লেভরশিংদা অনা লায়েংগী শেনফমশিং মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্তশিংদা কাপ্পগী খন্নবা লৈত্রি।

বাবুপারাদা লৈবা বোর্দ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা সারটনা হায়- লোক সভা মীখল অসি হেক লোইখিবগা কনাগুম্বা খরনা লেভরশিংদা মেদিকেল বিনিফিটকী শেনফমশিং মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্তশিংদা হাপ্পক্কনি হায়না চে চাং অমসুং মরী লৈনবা দোক্যুমেন্তশিং খোম্বা হৌরে হায়বগী পাউ ফংলে। মসি অরানবা ৱাফমনি। মহাকা হায়- হায়রিবা ৱাফম অসি বোর্দ অসিনা খন্নবা লৈত্রি । অদম্‌কপু লেভ্ররশিংগী তঙাই ফদবা পীদবা য়াদ্রবা হকশেলগী শেনফমদি মশা মশাগী দরকারগী মতুং ইন্না পীরি। শ্রী সারটনা মখা তানা হায়- ৱেলফ্যার বোর্দ অসিগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা ইদুকেসনগী কান্নবশিং পীন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মসিগীদমক বোর্দ অসিদা রেজিস্তর তৌরবা লেভরশিংনা জল্‌াই থা ফাওবগী মনুংদা এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি।

**হোমগার্দ(এল)ঃ** ভারত সরকারগী মিনিস্ত্রি ওফ হোম এফ্যারসনা ভারত্তা লৈরিবা হোমগার্দশিংদা পীরিবা থাগী তলপ অসি হন্থহন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা রিভ্যিয় পিতিসন অমা থারিবা অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশঙবমদা লৈরিবা এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রসিদেন্তগী থৌ পুরিবা য়াম্বেম মঙ্গীনা হায়- হৌখিবা ইং ২০১৫ দা সুপ্রিম কোর্টনা ভারত্তা লৈরিবা হোম গার্দ পরসনেলশিংদসু পুলিস কন্সতেবল অমনা ফংলিবা মিনিম পে অদু পীগদবনি হায়না রাই তাখি। অদুগীসু মথক্তা মতম মতমগী মতুং ইন্না তলপ হেনগৎপদসু য়াওহন্নবা ৱাফমসু খঙহনখিবা লৈরবনি। অদুবু চহি অসিগী জনুৱারি ২৪ দা ভারত সরকারগী সেক্রেটরি হোম অজয় ভালানা হোমগার্দশিংদা পীরিবা তলপ অসি ককথনবা সুপ্রিম কোর্টনা ইং ২০১৫ দা থোকখিবা ওদর অদু অুমক হন্না খন্নবিনবা পিতিসন অমা ফাইল তৌরকপা অসি য়ামা লাইবক থীবনি। সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা রাই অমবু চৎনবা হৌখ্রবা মতুং অমুক হন্না খন্ননবা ৱাফম পুখৎলকপা অসি হোমগার্দশিংবু হন্থনা য়েংবনি হায়না লৌই। মহাকা হায়- হিরম অসিগা মরী লৈননা মনিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোইজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগীসু কেবেট অমা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখ্রে।

চান্দেল(এল)ঃ চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনগী নৌনা খল্লবা একজিক্যুতিব কাউন্সিল অমদি এসেমব্লি এফ্যারসশিংগী ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি জিলা অসিগী চাদোনপোকপী ভিলেজ মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

## ---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**মীখল (এল)ঃ** আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী মনুং চনবা চীংগী বিধান সভা কেন্দ্র অহুমগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদননবা শেম শাবা লোয়রে। ভোট অয়ুক পুং ৭ তগী থাদবা হৌরগা নুংথিল পুং ৪ দা লোয়শিনগনি।

হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি-উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি - সংসক গভরমেন্ট হায়স্কুল নোর্থ ৱিং, উখ্রুল মোদেল হায়স্কুল নোর্থ ৱিং, গ্রীনলেন্দ প্রাইমারি স্কুল, কে.কে. লৈশি ফানির জ্নিয়ার হায়স্কুল, চিঙাই বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন চিঙাই গভরমেন্ট হায়স্কুল, অমসুং কারোং বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ওইনাম হায়স্কুল রাইট ৱিংনি।

উখ্রুল জিলাগী ওইনা অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অমসুং সেক্যুরিতিগী কাংবু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থুংখ্রে। সেনাপতি জিলাদসু অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা ওইনাম হায়স্কুলগী পোল্লিং ষ্টেসনদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অমসুং ওফিসিএলশিংসু থুংখ্রে।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিগী প্রসিদেন্ত কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়রি - হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়্যন্সিগী লোক সভা মীখলগী রিপোল অসিদা সেন্ত্রেল অমদি রাজ্য পুলিস মরাং কায়না থম্বীদুনা শান্তি লৈনা অমদি মীয়ামদা অকি তুজংবা পীদনা ভোট থাদহন্নবা থবক পায়খৎপিয়ু । ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়- হয়েংগী রিপোল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ৬ মক্তা সেক্যুরিতি ফোর্স মতিক চানা থম্বা, ভিদিও কোভরেজ য়াওহনবা অমদি পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা একজিক্যুতিব মেজিস্ত্রেদ অমমম থম্বগী তঙাই ফদবা লৈ। হায়রিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎপিনবা ই.সি.আই অমদি মরী লৈনবশিংদা অইবা চেরোল পীশিনবা য়াওনা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

**--সাউন্দ মেগাচন্দ্র--**

**ৱাকসোর্প(এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্দ অমদি দ ইন্সটিট্যুসন ওফ ইঞ্জিনিয়রস ইন্দিয়া মনিপুর ষ্টেট সেন্তর অনিনা পুন্না শীন্দুনা যুমশারোলগী মতাংদা ৱার্কসোপ পাঙথোক্লগনি। হয়িংখোংবাল উফোং যুমফমদা লৈবা সনা মহি লাইশঙদা পাঙথোকখিবা মৈস্নাম সিবদত্তা লুৱাংনা হায়- হোংলক্লিবা মতমগী মতুং ইন্না যুমশারোল কয়া কায়না যুম শানরকপনা মরম ওইরগা যুম অমদা লৈগদবা কাংলোন কয়া অমা কায়থরকপগী মমি চাউনা তারক্লে। অসিগুম্বা কয়া অসি খঙমিন্ননবগীদমক ৱার্কসোপ অসি ইঞ্জিনিয়রশিংগা পুন্না পাঙথোক্কদবনি।

**ফুটবোল (এল) ঃ** লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নেরোকা এফ.সিনা সঙ্গাই ফুটবোল স্কুলবু পাঞ্জল ২-১ দা, নাকোনা য়ঙ ফিজিক্স যুনিয়নবু পাঞ্জল ১-০ দা, এথেলেটিক্স ফুটবোল ক্লবনা যুনাইতেদ ব্রদর এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০দা অমসুং নেসুনা ত্রাউবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল) ঃ** তৌবুংখোক্কী পাময়াল লম্পাক্তা চত্থরিবা ৫ শুবা শঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা উপশানা এল.এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা অমসুং এম.এল.ভি.এফ.এনা আই.ভি এফ.এবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

**ফুটবোল (এল) ঃ** ৫ শুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোক্কর তুরনামেন্ট ঙসিদগী মেটচতা তাইদনা থাওমাইবু পাঞ্জল ১-০ দা, লৈমাপোকপম এফ.সিনা কিক ওফ য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং শিংজমৈ এফ.সিনা ই.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**মীখল ঃ** লোক সভা মীখলগী তরুকশুবা তাঙ্কক্কী নোটিফিকেসন ঙসি থোকখ্রে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য তরুক অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী লোক সভা সিট ৫৭ তা ভোট থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা ভোট থাদনগদৌরিবা লোক সভা সিট অদুদি-দিল্লিগী সিট তরেৎমক, হরিয়ানাগী সিট ১০ মক, উত্তর প্রদসেকী সিট ১৪, বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী সিট ৮-৮, উরিষ্যাগী সিট তরুক অমসুং ঝরখন্দগী সিট মরিনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মে তরুনি। মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি অমসুং মে ৯ দা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি।

তাঙ্কক অসিগী ওইনা মে ২৫ দা ভোট থাদনগনি। মরক অসিদা, লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম ঙসিনা লোইরে। মরিশুবা তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৯ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী লোক সভা সিট ৯৬ তা মথং থাগী ১৩ দা ভোট থাদনগনি।অতৈ তাঙ্ককশিংগী ভোট থাদনবা লোইরবা তুংদা জ়ন মরিদা ভোট মশিং থিগনি।

**কেম্পেইন ঃ** লোক সভা মীখলগীদমক তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভোট খোমরি অমসুং রেল্লি কয়া মরুম পাঙথোক্লি।

মথং থাগী তরেৎতা ভোট থাদনগদৌরিবা অহুমশুবা তাঙ্কক্কীদমক লৈবাক্কী মফম কয়াদা রেল্লি অমসুং রোড সোশিং পাঙথোকরি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনিগী লোক সভা সিট ৯৫ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগী ওইনা মীরেপ লিশিং ১,৩৫১ না লম্বা থেংনরি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাস্ত্রাগী পুনে সহরদা মহা বিজয় সংকল্প সভা রেল্লিদা শরুক য়াখি। রাজ্য অদুগী সোলাপুর অমসুং সাতারাদসু শ্রী মোদি রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি।

সোলাপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- কনাগুম্বা মত্তনা লৈবাক অসিগী সংবিধান হোংদোকপা ঙম্লোই অমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা রিজার্বেসন লোইশিনবা ঙম্লোই । হিরম অসিগী মতাংদা বিরোধি দলশিংনা অরানবা বিচার শন্দোক্লিবা অদুদা শ্রী মোদিনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমিত সাহসু ঙসি বিহারগী ঝনঝরপুর অমসুং বেগুসরাইদা মীয়ামগী মীতিং অনিদা ৱা ঙাংখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি ঙসি গুজরাটতা ভোট খোমখি। আর.জে.দি লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদব বিহারগী সারনদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) এন.সি.ই.আর.টিগী টেক্সবুক্তা মনিপুরগী মুকা কাংজৈবু মীজোরামগীনি হায়না ফোংলিবা অদুগী মতাংদা কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা এন.সি.ই.আর.তিদা অথুবা মতমদা শেমদোকবা পাউতাক পীখ্রে।

২) মনিপুরদা হয়েং চহি অমদগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং লাখ ৯ হেনবদা তিল লৈতনবা অলবেনদজোল টেব্লেট পীজগনি।

৩) নোংমৈ মাংবগী কেসতা চেন্নবা কে.আর.এগী চিফ দেবিদ হনসিং অমসুং য়ু.কে.এল.এফ কী লুচিংবা লুখোসোন হাওকিপকী কেস অসামদা ত্রান্সফর তৌন্নবা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

৪) কুকি মিলিতেনশিংগা (সু) তৌনবগী মতম লোইরবা ফাওবা কেন্দ্র সরকারনা তুমিন্না লৈরিবগী মরম করিগীনো হায়না সিব সেনা মনিপুর প্রদেশনা হংলি ।

**অমসুং**

৫) আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র অহুমগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদননবা শেম শাবা লোয়রে।

**--- পাউ লোইজরে---**